# নীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা পূন্না মেদল ২২ লৌবা ঙমখি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):** নেসনল মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা তেলঙ্গনাগী হায়দরবাদতা লৈবা গাচিবোলি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবা ৫রক শুবা নেসনল মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী নীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী মাষ্টর এথলিটশিংনা পূন্না মেদল ২২ লৌদুনা মখা তানা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনবা ঙম্লি।

মণিপুরনা ঙসি গোল্ড মেদল ১১ য়াওনা পূন্না মেদল ২০ লৌবা ঙমখিবনি। গোল্ড মেদল লৌখ্রবশিংদি নুপাগী চহী ৮০ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা খেলেন চোংথাম, চহী ৮৫ মথক্কী দিস্কস থ্রোদা কে ইবোচা মীতৈ, চহী ৬০ মথক্কী দিস্কস থ্রোদা এম দি অয়ুব খাননি। নুপীগী চহী ৮০ মথক্কী হায় জম্প ইভেন্টতা আর কে সনাহনবী, চহী ৮০ মথক্কী শোট পুট ইভেন্টতা টি ঐচ কুঞ্জরানী লৈমা, চহী ৭৫ মথক্কী হায় জম্পতা এ ইবেমপিশক, চহী ৭০ মথক্কী হায় জম্পতা এ মানবী, চহী ৬৫ মথক্কী হায় জম্পতা এন সুবদনী, চহী ৬০ মথক্কী মিটর ৩০০গী হর্দলসতা টি লেনা, চহী ৬০ মথক্কী মিটর ৮০গী হর্দলসতা য়ুম্নাম সোবিতা লৈমা, চহী ৪০ মথক্কী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা এম সুনিতানি।

সিলভর মেদল লৌরকখ্রবশিংনা নুপীগী চহী ৭০ মথক্কী শোট পুটতা টি ঐচ বিনোদিনী, চহী ৭৫ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা এ ইবেমপিশক, চহী ৬০ মথক্কী শোট পুটতা টি লেনা, চহী ৩৫ মথক্কী দিস্কস থ্রো এন্দ শোট পুট ইভেন্টতা ইরোম রোমা, নুপাগী চহী ৭৫ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা এস মণিমোহোন, চহী ৭০ মথক্কী মিটর ৮০গী হর্দলসতা এ জয়কুমারনি। চহী ৪০ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা এল ধনবিরনি।

অদুগা ব্রোঞ্জ লৌরকখ্রবশিংনা নুপীগী চহী ৭০ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা এন জি সনাতোম্বী, চহী ৬০ মথক্কী দিস্কস থ্রোদা এন প্রেমা, চহী ৫৫ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা আর কে লাতাসনানি।

ঙরাং হৌদোকপা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ৬, সিলভর ৭ অদুগা ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ১৫ লৌবা ঙমখিবনি। ঙসিগী ওইনা গোল্ড ১১, সিলভর ৮ অদুগা ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ২২ লৌবা ঙমখিবনি।

HL-B/8547/10

## শান্নরোয়শিং খনগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):** স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরগী য়ুনিট অমা ওইরিবা স্পোর্টস ট্রেনিং সেন্টর উৎলৌগী ওইনা বোক্সিং, ফুটবোল, টাইক্বোন্দো অমসুং ৱেথলিফটিংগী ওইনা হাঙদুনা লৈরিবা সীটশিং মেনশিন্নবগীদমক শান্নরোয়শিং খনবগী থবক চথুরি হায়না সাই এস টি সী উৎলৌগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না বোক্সিংগী ওইনা চহী ১২দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা ১১ খনগনি। হায়রিবা অসি রেসিদেন্সিএল ওইগনি। ফুটবোলগী ওইনা চহী ১২দগী ১৫ ফাওবদা লৈবা নুপামচা অমা নন-রেসিদেন্সিএল ওইনা খনগনি। টাইক্বোন্দোগী ওইনা চহী ১২দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা ১৪ রেসিদেন্সিএল ওইনা অদুগা ৱেথলিফটিংগী ওইনা চহী ১২দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা ৯ রেসিদেন্সিএল ওইনা খনগনি।

শান্নরোয়শিংনা মথৌ তাবা এপ্লিকেসন ফোর্ম থা অসিগী ১০দগী হৌরগা ১৭ ফাওবগী মনুংদা সাই এস টি সী উৎলৌদগী লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ১৮দা ওইগনি। সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী ৱেবসাইটতগীসু ফোর্মশিং অসি ফংগনি। ইলিজিবল কেন্দিদেটশিংগী সেলেক্সন ট্রায়লনা থা অসিগী ১৯দগী ২১ ফাওবদা পাঙথোক্কনি।


# এ আই এফ এফকী কম্মিটিদা য়াওনবা মণিপুরদগী জ্যোটিরমোইরোই অমসুং তবাবী খনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না ফেদরেসন অসিগী কম্মিটিগী মেম্বর ওইনবগীদমক্তা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোইরোই অমসুং থোঙ্গাম তবাবী খল্লকখ্রে।

জ্যোটিরমোই রোইনা এ আই এফ এফ ইন্ফ্রাষ্ট্রকচর কম্মিটিদা মেম্বর ওইনা কুমজা ২০২৬ ফাওবা অদুগা তবাবীনা এ আই এফ এফ ৱিমেন্স কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা কুমজা ২০২৬ ফাওবা লৈগনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।




HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1044**

**FM Dieter Puth (2164) - GM Sebastien Maze (2546)**
**Bundesliga 2023-24 Neuwied GER, 2024.01.13**

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nf3 b6 4.g3 Ba6 5.b3 Bb4+ 6.Bd2 Be7 7.Nc3 d5 8.Bg2 O-O 9.cxd5 exd5 10.Ne5 Bb7 11.O-O Nbd7 12.f4 c5 13.e3 Rc8 14.Rc1 a6 15.g4 Ne4 16.Nxe4 dxe4 17.Bc3 cxd4 18.Nxd7 Qxd7 19.Qxd4 Qxg4 20.Qxb6...


**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 1043 Solution :**

**34. Rxg7+** The white Rook decoys Black's King. **Kxg7 35.Rf7+ Kg8 36. Rg7+** The white Rook decoys Black's King. **Kxg7 37. Qf7+ Kh8 38. Qh7#**
**1-0**












Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com